# ইন্দিয়াগী অমত্ত ঙাইরবা এয়ারক্রাফ কেরিয়র বিক্রমাদিত্য মথক্তা মৈ চাকপদা নেভেল ওফিসার শিখ্রে



**করৱার (করনাতকা), এপ্রিল ২৬ঃ**

ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা এয়ারক্রাফ কেরিয়ার আই এন এস বিক্রমাদিত্যনা করনাতকাগী করৱার হারবরদা চংশিল্লকপদা মথক্তা মৈ চাকপগী থৌদোক অমদা নেভেল ওফিসার অমা ঙসি শিখ্রে।

এয়ারক্রাফ কেরিয়র অদুগী মৈ চাক্লিবা কম্পার্টমেন্ট অদুদা মৈ মুখৎনবা হোৎনবা অদু লেপট্টনেল কমান্দর দি এস চৌহাননা থৌনা ফনা লূচীংখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা নেভিনা হায়খি।

মৈ অদু কন্নবা হোৎনবদা মৈখু অমসুং মনিলশিং অদুনা মরম ওইদুনা মৈ চাকপা অদু লাকশিল্লবা তূংদা ওফিসার অদু গ্যান মাঙখি। মহাকপু খুদক্তা করৱারদা লৈবা নেভেল হোস্পিটালদা পুরকখি অদুবু কনবা ঙমখিদ্রে হায়না নেভিনা হায়খি।

জহাজ অদুগী ক্রুনা য়াম্না থুনা থবক লৌখৎতুনা চাক্লিবা মৈ লাকশিনবা ঙমদুনা জহাজ অদুগী লান থেংননবগী মরুওইরবা মফম অদুদা শাথিনা শোকহংগদবদগী মাঙজৌননা থিংবা ঙমহৌখি হায়না নেভিনা মখা তাখি।

আই এন এস বিক্রমাদিত্য টৌন ৪০,০০০ লূম্মী অমসুং ইন্দিয়ান নেভিগী খ্বাইদগী চাওবা অমসুং খ্বাইদগী লূম্বা জহাজনি। জহাজ মৈ চাকপগী থৌদোক অদু থিজিন্নবা বোর্দ ওফ ইনক্বারি অমা শেন্নবা ওর্দর তৌখ্রে।

দোল্লর বিল্লিয়ন ২.৩গী এয়ার ক্রাফ কেরিয়র অদু জনুৱারি ২০১৪দা রসিয়াদগী ইন্দিয়ানা লৈখিবনি। অৱাং রসিয়াগী সেবরেদবিনস্ককী সেবমাস সিপয়ার্দ কী মনাক্তা নবেম্বর ২০১৩দা ইন্দিয়ান নেভিদা কমিসন তৌখিবা আই এন এস বিক্রমাদিত্য অসি করনাতাকাদা লৈবা মসিগী লৈফম করৱার হীথাংফমদা লৈ।

লানগী প্লেনশিং পুবা জহাজ অসি মিটর ২৭৪ শাংই অমসুং মথোন ২০গী বিল্ডিং অমগা ৱাংবা মান্নরপ মিটর ৬০ ৱাংই।

# লন্দন কোর্টনা দাইমন্দ মার্চেন্ট নিরব মোদিগী বেল য়াখিদ্রে নিরব মোদি, মেহুল চোক্সিগী লকজরি কার, ১৩ ক্রোর ৩.২৯দা য়োনখ্রে



**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৬ঃ**

মীনম-শোরিদুনা অমসুং শাজিন্নবা লেটরস ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এল ও য়ু) শিংনা পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্ক (পি এম বি)তগী দোল্লর বিল্লিয়ন ১ লৌখিবগী অমসুং মনি লোন্দরিংগী কেস অমদা মীচেল ওইদুনা লন্দনদা লৈরিবা নিরব মোদিগী বেল অদু লন্দন কোর্ট অমনা ৩লক শুবা ওইনা য়াখিদ্রে।

নাকন অমরোমদা পি এন বি স্কামগী মরান শীরিবা নিরব মোদি অমসুং মখুরা নেহুল চোক্সিগী লকজরি কার ১৩ নিলাম লাওবদা লূপা ক্রোর ৩.২৯ শিৎতুনা য়োনখ্রে হায়না ঙসি এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেট (ই দি)না হায়খ্রে।

পি এন বি স্কামগী মতাংদগী ইন্দিয়াদগী চেনখিবা দাইমন্দ মার্চেন্ট নিরব বোদি মার্চ ১৯দা য়ুনিফোর্ম শেৎপা স্কোটলেন্দ য়ার্দ ওফিসারশিংনা ফাখিবনি অমসুং মহাক্কী অহানবা বেলগী অপীল য়াখিদ্রবা তূংদা জেলদা থাজিনখি হৌজিক ফাওবা ৱান্দসৱোর্থ জেলদা লৈরক্লি।

চীফ মেজিষ্ট্রেট ইম্মা অরবুথনোথনা প্রিসাইদ তৌদুনা চংখিবা হিয়ারিং অমদা জেল অদুদগী মহাক্না ভিদিও-লিঙ্ককী খূৎথাংদা কোর্টতা শরুক য়াখি। অদুবু মহাক্কী মমিং অদু চুম্মি হায়বা নত্তনা মহাক ৱা অমত্তা ঙাংখিদে।

কোর্ট হিয়ারিং অদুগী অরোইবদা চীফ মেজিষ্ট্রট অদুনা মিষ্টর মোদি নহাক কেস অসিগা মরিলৈননা নশামক কোর্টতা পুথোক্কদবা মপূং ফাবা হিয়ারিং অমা মে ৩০দা পাংথোক্লবা থৌরাং তৌরি অমসুং অতোপ্পা অতেনবা হিয়ারিং অমা মে ২৪দা ভিদিও-লিঙ্ককী খূৎথাংদা অমুক তৌখিগনি হায়খি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নল এফিয়ারস ৱেপসাইটকী মতূং ইন্না য়ুনাইটেদ কিংডম (য়ু কে)গা ইন্দিয়াগা এক্সট্রাদিসন ট্রিটি অমা তৌনদে। অদুগুমবা ট্রিটি অদু লৈত্রবসু করিগুম্বা য়ান্নবা অমগী থাজবগী য়ুমফমদা ইন্দিয়ানা মহাকপু এক্সট্রেদিসন তৌনবা হায়জরকপা অদু য়াগদ্রা হায়বদু য়ু কেগী দোমেষ্টিক লো অমসুং প্রোসিদিওরশিংনা য়াব্রা হায়বদু খন্নগনি হায়রি।

নিরব মোদিবু স্কোটলেন্দ য়ার্দনা লন্দনদা ফাখিবনি অমসং ইন্দিয়ানা মহাকপু ইন্দিয়াদা থারক্নবা হোৎনরি। অমরোমদা মহাক্কী মখুরা মেহুল চোক্সিগী মায়োক্তসু মসিগা মান্নবা কেস অমা লৈ। মহাক করাবিয়ানগী লৈবাক এন্টিগুৱাদা লৈ।

চাউরাক্লা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ২ রোমগী মীনম্বা বেঙ্ক লোনগী মতাংদা এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেটনা চংখবা মনিলোন্দরিং ইনভেষ্টিগেসনগী শরুক ওইনা মোদি অমসুং চোক্সি অনী অসিগী লকজরি কার ১৩বু নিলাম লাওনবা দাইরেক্টোরেট অসিনা স্পিসিয়েল পি এম এল এ (প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ট) কোর্টকী পার্মিসন মার্চ থাদা ফংখি।

কোর্টকী অয়াবা ফংলবা তূংদা ই-ওক্সন অদু মেটেল স্ক্রেপ ট্রেদ কোর্পোরেসন লিমিটেদনা চংখি। নিলাম লাওখিবা গারী ১৩ অদুদি নিরব মোদি গ্রুপকী গারী ১১ অমসুং মেহুল চোক্সি গ্রুপকী গারী ২নি। গারীশিং অদু ঙরাং এপ্রিল ২৫দা এম এস টি সি প্লেটফোর্মগী খূৎথাংদা ই-ওক্সন তৌখি।

মদুদা পূন্না লূপা ৩,২৮,৯৪,২৯৩ শিৎতুনা মায় পাক্লা য়োনখি। মসিগী মমাঙদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনসু নিরব মোদিনা মপু ওইবা আর্ট ৱাক কয়ামরুম লূপা ক্রোর ৫৯.৩৭ শিৎতুনা নিলাম লাওখি।

মুম্বাইদা লৈবা পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্ককী ব্রেদি হাউস ব্রাঞ্চদা মীনম-শোরিবা অমসুং করপসনগী থৌদোকশিং অদু হৌখিবা চহীদা খঙলকখিবনি। মদুগী মতূংদা এনর্ফোসমেন্ট দাইরেক্টোরেট অমসুং সি বি আইনা নিরব মোদি, মাগী মখুরা চোক্সি অমসুং অতৈ কয়ামরুম মখোয়না চংখে হায়রিবা মনি লোন্দরিং অমসুং করপসনগী ৱাথোক অদু ইনভেষ্টিগেসন তৌরক্লি।

# অৱাং-নোংপোকতা লানহৌবা লাকশিনবা ঐগী অচৌবা থবক্নি, এন দি এনা ৩ থোকপগী ২গী মেজোরিটি ফংগনি ঃ রাজনাথ



**মুম্বাই /বরানসি, এপ্রিল ২৬ঃ**

লৈবাক অসিদা নেক্সলাইটশিংগী হিংশাসু চাং হন্থরক্লে হায়রিবা রাজনাথ সিংহগী মতূং ইন্না অৱাং নোংপোক্তা লানহৌবা লাক্লিনবা অসি হোম মিনিষ্টর ওইনা মহাক্কী তৌবা ঙমখিবা খ্বাইদগী চাওবা থবক্নি হায়খ্রে।

হোম মিনিষ্টর ওইনা মহাক্না অতৈ থবক তৌবগা লোয়ননা অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা লানহৌবগী ইরাং অমসুং লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা নেক্সালিজম লাক্লিনবগী মায়কৈদা থবক তৌখি।

অৱাং নোংপোক্তা লানহৌবা হায়বদু পূংলোই লোয়শিনখ্রে। নেক্সালশিং শিবদগীদি সেক্যুরিটি মশিং শিবনা হেন্না য়াম্লমবা ১৯৭১গী মতূংদগীদি ঐখোয় খ্বাইদগী অফবা ফিভমদা লৈরে। হৌজিক মদুগী ফিভম অদু মথক-মখা ওন্থোকখ্রে। ঐখোয়গী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অকনবা পাউখুম অমা পীখ্রে অমসুং নেক্সালশিং মাঙহনখ্রে হায়না রাজনাথ সিংহনা হায়খি।

হান্নদি নেক্সালশিংনা দিষ্ট্রিক্ট ১২৬তা থবক তৌরমখিবনি। অদুবু হৌজিক মখোয়গী থবক সুপ্পগী দিষ্ট্রিক্ট ৬-৭ খক্তগী হেনবা ঙমদ্রে। মতম খরগী মনূংদদি মখোয় মরু ফুক্তুৎলগনি হায়বসি ঐখোয়না শোয়দনমক থাজে।

অৱাং-নোংপোক্কী ওইবা লানহৌবা অদু লোয়শিনখিবা অসি হোম মিনিষ্টর অমা ওইনা মহাক মশানা ফাওবা থাজবগী ৱাংমদা তৌবা ঙমখিবা খ্বাইদগী চাওবা থবক অদুনি হায়না উত্তর প্রদেশকী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা হায়খি।

হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ঙসি বরানসিদা পাউগী এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবা অতোপ্পা ৱারোল অমদা চংখরিবা লোক সভা মীখল অসিদা নেসনেল দেমোক্রেটিক এলায়েন্স (এন দি এ)না ৩ থোকপগী ২গী মেজোরিটি ফংগনি হায়খ্রে।

অপনা দল (এস) কনভেনর অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট অনুপ্রিয়া পতেলনা মীয়ামগী লৈরিবা অকনবা ৱাখল্লোন অসিনা লোক সভাদা এন দি এনা এবসোলূট মেজোরিটি ফংবগী লম্বীদা লৈরে হায়বদু উৎলি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লিদরসিপকী মখাদা অমুক হন্না গভর্ণমেন্ট অদু শেম্লগনি হায়খি।

এন দি এনা অমুক্তা হন্না লৈঙাক পায়রগনি। মদু নরেন্দ্র মোদি লিদরসিপ মখাদা ওইগনি হায়বসিদা চীংননিঙাই লৈতে। বরানসিগী লম্বীশিংদা মোদিবু মীয়াম্না নুঙাইবা ফোঙদোক্লিবা অমসুং তরান্না ওক্লিবা মতৌ অসিনা উৎলিবদি, মীয়াম অসিনা মোদিবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা অমুক্তা হন্না উবা পাম্মি হায়বসিনি।

উত্তর প্রদেশতা ঐখোয়না রেকোর্দস পূন্নমক থুগাইরগনি হায়না মহাক্না হায়খি। এক্সটরনেল এফিয়ারস মিনিষ্টর অমসুং বি জে পি লূচীংবী সুস্মা স্বরাজনা লৈবাক্কী অতৈ কনষ্টিট্যুয়েন্সিশিংনা মখোয়গী পার্লিয়ামেন্টরিয়ানশিং খল্লবসু বরানসিগী মীয়ামদি প্রাইম মিনিষ্টর ওইগদৌরিবা অদু খনগদৌবা ওইবনা য়ান্না মরায়বক ফৈ হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ২০১৪ জেনরেল ইলেক্সনদা মাগা নক্নবা লম্বাদগী ভোট মশীং য়ান্না হেন্না ফংদুনা মায় পাকখিবা সিট বরানসি পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুয়েন্সিদগী মীরেপ ওইনবা ঙসি মীরেপচে পীশিনখি।

মমাঙগী মীখল অদুদা নরেন্দ্র মোদিনা গুজরাতগী বদোদরাদগীসু কন্টেষ্ট তৌখি অমসুং মায়পাকখি। অদুবু মহাক্না বদোদরা তোক্লগা বরানসিগী মীহুৎ ওইনা লৈহৌনবা লেপখি।

# টেরোরিষ্টশিংনা শ্রী লঙ্কাদা এটেকশিং মখা চংথরক্লবা য়াই হায়না অষ্ট্রেলিয়ানা ৱার্নিং তৌরকখ্রে



**সিদনি, এপ্রিল ২৬ঃ**

শ্রী লঙ্কাদা টেরোরিষ্টশিংনা বোমশিং মথঙ-মথঙ পোকখায়হন্দুনা মীওই ২৫৩ হাৎখিবা ইষ্টর সন্দে এটেকশিং অদুগী মখা তারকপদা ঈথৎ লৈবাক অসিদা চৎপা সিটিজনশিংদা মাঙজৌননা চেকশিন-ৱা পীরদুনা ঈথৎ লৈবাক অদুদা টেরোরিষ্টশিং অদুনা মখা এটেকশিং চংথরকখিবা য়ানা লৈ হায়না অষ্ট্রেলিয়ানা ঙসি ইরাই নুমিৎতা ৱার্নিং তৌখ্রে।

অষ্ট্রেলিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা মসিগী খ্বাইদগী নৌবা ট্রেভেল এদভাইসতা ফোরেনরশিংনা য়েংগনবা মফমশিং য়াওনা এটেকশিং অদু মফম মরাং খংদনা হেক্তা চংথরকপা য়াই হায়খি।

বৃটেন, নেদরলেন্দস অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনাচীংবা লৈবকশিংনসু এপ্রিল ২১গী এটেকশিংগী মতূংদগী শ্রী লঙ্কাদা চৎপা মখোয়গী সিটিজনশিংদা অসিগুম্বা ৱার্নিংশিং তৌখ্রবনি। মরম অদুনা ঈথৎ লৈবাক অদুদা চৎপগী মখোয়গী মথৌ তাবা অদু খন্থনবা কেনবেরানা অষ্ট্রেলিয়ানশিংদা পাউতাক পীখি।

টুরিষ্টশিং অমসুং খৃষ্টান লাইখুরম্বশিংদা পান্দম থম্লকখিবা মথঙ-মথঙ চংথরকখিবা বোম এটেকশিং অদুদা শিখিবশিংগী মরক্তা অষ্ট্রেলিয়ান নুপী অমা অমসুং মাগী চহী ১০ শুরবী মচানুপী অমা য়াওখি।

এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপতগী শৌগৎপগা লোয়ননা মফমদুগী গ্রুপ অমনা চংখিবনি হায়বা ইন্টিলিজেন্সনা খঙবা ঙম্লে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসননা হায়খি।

গ্রুপ অসিগা এটেকশিং অদুগী টার্গেটশিং অদু য়াওনা দেইস নেটৱার্ক অদুনা পীখিবা শৌগৎপা অদুগা মরিলৈনৈ হায়না মহাক্না হায়খি।

অষ্ট্রেলিয়ান কাউন্টর টেরোরিজম পুলিসনা শ্রী লঙ্কান ওথোরিটিজবু মখোয়গী ইনভেষ্টিগেসনদা মতেঙ পাংগনি অমসুং এটেক্করনি চীংনরিবা অবদুল লতিব জামিন মুহম্মেদনা মেলবোর্নদা লৈরমখিবা মতম অদু থিজিল্লি।

অষ্ট্রেলিয়ান ফেদরেল পুলিসনা মশাগী চহী ৩৬ শুরবা মীওই অদু খঙব্রা নৎত্রগা অষ্ট্রেলিয়ানদা লৈরিঙৈদা মহাক রেদিকেলাইজ তৌব্রা হায়বদু ফোঙদোকউ য়াখিদে।

হৌজিক এটেকশিং অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন অমা চংখরিবা মরমনা মদুগী মতাংদা মত পীবা মতাং চাদ্রি হায়না ফেদরেল পুলিসকী ৱাঙাংলোই অমনা হায়খি।

শ্রী লঙ্কান ওথোরিটিজনা অপূনবা মী শিবগী মশীং অদু ১০০ রোম হন্থরগা ২৫৩নি হায়না লেপখ্রে। শাথিনা মচেৎ মচেৎ তারবা হকচাং খরা শেরান্ননা অনীরক হন্না মশীং থীবদা য়াওশিনখ্রে হায়খি।

চৈরকসিদা শ্রী লঙ্কান পুলিসনা আই এস আই এসকা মরিলৈনবা মীওই ১৪০ থিরি।

ইষ্টর সন্দে বোম্বিংশিং অদু চংথরম্বা য়াবা মীওইশিং কন্না থিবা-হুম্বা চংথরিঙৈ ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা বোম অমসু লৈরম্লে হায়বদগী ওথোরিটিজনা কলম্বো এয়ারপোর্ট তাবা লম্বী পূন্নমক থিংজিনখি অমসুং সেন্ট্রেল বেঙ্ক অমসু থিংজিনখি।

সন্দে এটেকশিং অদুগী মতাংদা আই এস আই এস গ্রুপকা মরিশিং লৈনরম্বা য়াই থাজবা মীওই ১৪০ পুলিসনা থিরি হায়না শ্রী লঙ্কা প্রসিদেন্ট মাইথ্রিপালা সিরিসেনানা ঙসি হায়খ্রে।

শ্রী লঙ্কাগী নহা খরা ২০১৩দগী হৌনা এক্সট্রিমিষ্ট গ্রুপ অদুগা মরীলৈনরকখি হায়না প্রসিদেন্টনা পাউমীশিংদা হায়খি।

শোয়দনা থোক্লবা য়াবা এটেকশিংগী মতাংদা দিফেন্স চীফ অমসুং পুলিস চীফনা মাঙোন্দা ঈ-পাউশিং খঙহল্লকখিদে হায়খি।

তামিল সেপরেটিষ্টশিংনা থেংনরকখিবা চহী ১০ শাংবা সিভিল ৱার অদুদা চংখিবা ৱার ক্রাইমশিংগী মতাংদা মিলিটরি ওফিসারশিংবু চৈরাক পীনবদা পূক্নিং চংদুনা লৈরিঙৈদা ইন্টিলিজেন্স সিষ্টেম শোহ্নহনবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিংঘেগী গভর্ণমেন্টপুসু প্রসিদেন্টনা মরান শীখ্রে।

# GAS TODAY

**Yairipok Gas Service**
Booking :31/03/19
Valid : 23/03/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**M M Gas**
Booking : 27/03/19
Valid : 16/03/19
Stk : 612
Time : 07.0 to 10.30 a.m.

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 26/03/19
Valid : 19/03/19
Stk : 270

**Hiyangthang Indane**
Booking : 12/03/19
Sl. No. : 60
Valid : 06/03/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Nongpok Sekmai Indane**
Booking : 08/04/19
Valid : 17/02/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Manipur Gas**
Booking : 25/02/19
Valid : 23/02/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 26/02/19
Sl. No. : 3160
Valid : 25/02/19
Sl. No. : 2661
Stk : 270, 19kg -24
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Haran Valley, Kwakta**
Booking : 01/03/19
Valid : 24/02/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Imphal L P G Service**
Booking : Up to Date
No Booking Required
Stk : 612
Time : From 08.00 a.m.

**R B D Indane**
Booking : 15/03/19
Valid : 24/02/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 20/02/19
Valid : 05/02/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**TDK Gas, SeKmai**
Booking : 14/03/19
Valid : 09/03/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

# ‘বেল্ট এন্দ রোদ’ গ্রীন শোয়দনা ওইহনগনি, করপসন থেংনগনি ঃ জি জিনপিং



**বৈজিং, এপ্রিল ২৬ঃ**

চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা এসিয়া, য়ুরোপ, আফ্রিকা, ওসিনিয়া অমসুং সাউথ আফ্রিকা ফাওবদা লৈরিবা লৈবাকশিংদা পাক-শন্না শন্দোক্কদৌরিবা মহাক্কী বেল্ট এন্দ রোদ ইনিসিয়েটিপ (বি আর আই)গী সম্মিট ঙসি বৈজিংদা হৌদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট জিগী প্রোজেক্ট অসি রোদ অমসুং রেল প্রোজেক্টশিং অমসুং মেরিটাইম প্রোজেক্টশিংদা পাক্তক্লনা শেন থাদদুনা এসিয়াদগী য়ুরোপ অমসুং অফ্রিকা শন্নহন্নবগী থায়নগী সিল্ক রোদ অদু অমুক হন্না শেমগৎনবনি।

বৈজিংদা নুমিৎ হুম্নি পাংথোক্কদৌরিবা সম্মিট অসিদা লৈবাক ৩৫ হেনবগী মকোক থোংবা লূচীংবশিং শরুক য়ারি। য়ু এস অমসুং মরুওইবা য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা সম্মিট অসিদা সেনিয়ার দিলিগেসনশিং থারকখিদে।

শরুক য়াখিবশিং অদুগী মনূংদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিন, পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান, ইতালিগী প্রাইম মিনিষ্টর গিয়ুসেপ কোন্টে, কম্বোদিয়ান প্রাইম মিনিষ্টর হুন সেন য়াওরি।

সম্মিট অদুগী কি-নোট পীরদুনা ৱা ঙাংবদা ঐখোয়না লৈরিবা অপূনবা য়ূম অসি ঙাক্লবা খোঙথাং ওইনা ইনভাইরোমেন্টলে প্রোটেক্সনবু খ্বাইদগী মরুওইনা লৌগনি হায়না ঙসি ফোঙদোকখি।

প্রোজেক্ট অসিগী মরমদগী মসিদা য়াওবা লৈবাকশিংবু চিনানা শেল তোলহন্দনবা হোৎনগনি হায়খি।।

# য়ুরোপতা টাটা ষ্টীল য়ুনিটতা মৈ চাকখ্রে

**বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ২৬ঃ**

টাটা ষ্টীল লিমিটেদকী য়ুরোপ য়ুনিটনা সাউথ ৱেলসতা লৈবা কম্পেনি অসিগী পোর্ট টালবোট সাইটতা মৈ চাকখ্রে হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

১৯০০গী অঙনবা চহীশিংদগী লৈরক্লবা পোর্ট টালবোট সাইট অদু ২০০৭দা কম্পেনি অসিনা কোরস লৌশিনখিবগী শরুক ওইনা টাটা ষ্টীলনা ফংবনি। মৈ চাকপদু হৌজিক মুখৎপা ঙমখ্রে হায়না য়ুনিট অদুনা হায়খি।

হায়রিবা পোর্ট টালবোট অসি য়ুরোপতা টাটা ষ্টীল লিমিটেদনা ওপরেট তৌরিবা ইন্টিগ্রেটেদ ষ্টীল মেকিং সাইট ২গী মনূংগী অমনি।

প্লান্ট অসিনা ষ্টীলগী অতৈ মখলশিং পুথোকপগা লোয়ননা হোট রোল্লদ, কোল্দ রোল্লদ, অমসুং গলভানাইজ কোইলসসু পুথোকই।

পোর্ট টালবোট সাইটতা মৈ চাকপগী থৌদোক অমা থোকখি। অশোক -অপন থোইনা থোকখিদে। মীওই পূন্নমক য়েংশিল্লে। মৈ চাকপদু লোয়নমক হৌজিক লাকশিল্লে হায়না টাটা ষ্টীল য়ুরোপকী ৱাঙাংলোই দামিয়েন ব্রুকনা হায়খি।

সাউথ ৱেলসকী পোর্ট টালবোট সাইটতা লৈরিবা টাটাগী ষ্টীল প্লান্ট অদুদগী ঙসি অয়ুক অঙনবদা পোকখায়বগী মখোন কয়ামরুম তাখি হায়না দ সন গী পাউনা হায়রি। সাইট অদুদা মীওই ২খক মশাদা খজিক খক্তং শোকই হায়বগী পাউ লৈ হায়না সাউথ ৱেলস পুলিসনা হায়খি।

**সনা-সুদোকু - ১০৫ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 6 | 8 | 9 | 5 | 4 | 7 | 3 | 1 |
| 4 | 7 | 5 | 8 | 1 | 3 | 2 | 9 | 6 |
| 1 | 9 | 3 | 2 | 7 | 6 | 5 | 4 | 8 |
| 3 | 1 | 9 | 4 | 6 | 5 | 8 | 7 | 2 |
| 8 | 2 | 7 | 3 | 9 | 1 | 4 | 6 | 5 |
| 6 | 5 | 4 | 7 | 8 | 2 | 9 | 1 | 3 |
| 9 | 4 | 6 | 1 | 2 | 8 | 3 | 5 | 7 |
| 7 | 8 | 1 | 5 | 3 | 9 | 6 | 2 | 4 |
| 5 | 3 | 2 | 6 | 4 | 7 | 1 | 8 | 9 |

# এসিয়াগী খ্বাইদগী ইনাকখুনবা মীওই মুকেস অম্বানি কনানো?


**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৬ঃ**

মুকেস অম্বানি, রিলায়েন্স ইন্দষ্ট্রিজ (আর আই এল) চিয়ারমেন অমসুং ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ইনাকখুবা মীওই এপ্রিল ১৯দা মশাগী চহী ৬২ শুখ্রে।

মহাকপু টাইমস মেগাজিননা ২০১৯গী খ্বাইদগী ইনফ্লুয়েন্সিয়েল ওইবা মীওই ১০০গী লিষ্টতা হাপখি। লিষ্ট অদুদা য়াওরিবসি য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প, পোপ ফ্রান্সিস, চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিং, পাকিষ্টান প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান, ফেসবুক ফাউন্দর মার্ক জুকেরবর্গ অমসুং ইন্দিয়ান-অমেরিকান কোমিদিয়ন হাসন মিনহাজনি।

ফোর্বসকী মতূং ইন্না মুকেস অম্বানিগী হৌজিক লৈরিবা মরন-মথুম দোল্লর বিল্লিয়ন ৫৫.৩নি হায়না লেপ্পি।

এপ্রিল ১৯, ১৯৫৭দা য়েমেনদা মুকেস অম্বানি পোকখি।



মথঙগী চহীদা মমা -মপা কোকিলাবেন অম্বানি অমসুং ধিরুবাই অম্বানিগা লোয়ননা মুম্বাইদা লাকখি। মনাওনুপা অনিল অম্বানি অমসুং নিনা ভদ্রাস্যাম কোথারি, দিপ্তি দত্তরাজ সালগোকর কৌবা মচননুপী অনী লৈ।

মুম্বাইদা কেমিকেল ইঞ্জিনিয়ারিং তমখি অমসুং কালিফোর্নিয়াগী ষ্টেন্দফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী এম বি এ দ্রোপআউট অমনি। লং লল্লোনবা মপা ধিরুভাই অম্বানিনা অপীকপা টেক্সটাইল মেনুফেকচরর অমা ওইনা ১৯৬৬তা রিলায়েন্স লিংখৎখি।

২০০২দা মপা শিথ্রবগী তূংদা মহাক অমসং মনাওনুপা অনিল অম্বানি মখোয়গী ব্যুজিনেসকী মতাংদা চহী ১০ হেন্না খৎনদুনা লৈরকখি।

অনিল অম্বানিনা পৱার অমসুং টেলিকোম ফংলগা মুকেস অম্বানিনা ওইল অমসুং পেট্রোকেমিকেলগী ব্যুজিনেসশিং ফংদুনা মচিন-মনাও অনী য়েন্নখি। অদুবু চহী কয়া অসিদা মখোয়গী ব্যুজিনেসশিংদগী শেন তানবদা চাওনা খেন্নরকখি। মনাওনুপা অনিল অম্বানি শেন্দোনগী কোমদা পুথখি। অদুগা মুকেস অম্বানিদি এসিয়াগী মনূংদা খ্বাইদগী ইনাকখুনবা ওইরকখি।

হৌখিবা থাদা এরিক্সন কম্পেনিগী তোল্লিবা লূপা ক্রোর ৪৫৮.৭৭গী শেনফম পীবা ঙমদবদগী অনিল অম্বানি জেলদা চংলমগদবদগী মুকেস অম্বানিনা মনাওনুপা অসিবু কনখি।

২০১৬দা রিলায়েন্স ইন্দষ্ট্রিজ লিমিটেদ (আর আই এল)না ৪-জি ফোন সার্ভিস জিও হৌদোক্নুনা টেলিকোম মার্কেটতা চংলকখি। ফ্রি দোমেষ্টিক ভোইস কোলশিং, অহোঙবা দাটা সার্ভিসশিং অমসুং লেমনা ফংবগুম স্মার্টফোনশিং ওফর লাওথোক্নুনা কষ্টমর মিল্লিয়ন ২৮০ জিওদা হুপচিন্নরকখি।

মুকেস অম্বানি নিটা অম্বানিগা লুহোংখি অমসুং আনন্তা অমসুং আকাশ কৌবা মচানুপা ২ অমসুং ইশা কৌবী মচানুপী অমা লৈরে।

মহাক অমসুং মহাক্কী ইমুং-মনূং মুম্বাইদা মমল দোল্লর বিল্লিয়ন অমা য়ৌবা মালেমগী খ্বাইদগী হেন্না শেন চংবা প্রাইভেট রেসিদেন্সশিংগী মনূংদগী অমা ওইরিবা এন্টিলিয়া বিল্ডিংদা লৈ। পূক্নিং চীংশিননিঙাই ওইরিবদি মুকেস অম্বানি অচেৎপা ভেজেটেরিয়ান অমনি। বোল্লিবুদ মুভিশিংসু পামজে।

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-106**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 6 | 1 | | | 8 | 2 | |
| 7 | | | 5 | 2 | | | | 3 |
| 3 | 5 | | | | 6 | | 1 | |
| 2 | 6 | 5 | 3 | | | | | |
| 1 | | 3 | | 6 | | | 5 | |
| | | 4 | 7 | | | 3 | | |
| | 3 | | | 7 | 5 | | | |
| | 2 | | | | 3 | 5 | | 6 |
| | | 1 | 6 | | | | | 2 |